**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 25-06-2024)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ২৫-০৬-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**
**--সিগনেচর ট্যুন--**
**---অকাশবানি ইম্ফাল ক্ষেত্রিময়ুম চিত্রভানুনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙল্লে। আইনগী ৱাংমদা শাবা বঙ্কর অমা শীদোকখ্রে।

২) **রাজ্য অসিদা** অহেনবা সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোসশিং থাজিল্লক্লে হায়রিবা ৱাফম অসি তোকঙানি , মীয়ামা থাজবিগনু হায়না রাজ্য সরকারনা খঙহল্লক্লি।

**অমসুং**

৩) ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফমগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা মনিপুরগী এম.পি অনি ৱাশক লৌরগনি।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**ওপরেসন(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙল্লে। আইনগী ৱাংমদা শাবা বঙ্কর অমা শীদোকখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তেরা কারোং খুলদা থীবা হুম্বগী থবক চত্থবদা কন্ত্রি মেদ রাইফলস অনি, ঐচ.ই. হেন্দ গ্রেনেট ৫, দিতোনেতর ৪, স্তন গ্রেনেট অমা, তিয়র গ্যাস সেল অনি ফংবা ঙমখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কদাংবন্দগী - হেক্লর এন্দ কোচ এসোল্ট রাইফল অমা, সেল্ফ লোদেদ রাইফল অমা, করবাইন্দ অমা, পোইন্ত থ্রি টুগী পিস্তোল ৩, নাইন.এম.এমগী পিস্তোল অমা অমসুং ত্বেলফ ইঞ্চ সিঙ্গল গন বেরেল অহুম ফংবা ঙমখি হায়রি।

অমরোমদা, মফম অদুদা আইন কায়না শারম্বা বঙ্কর অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অদুনা শীদোক্লমখিবনি। নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা সেক্যুরিতিনা চেকশিননা ঙাক শেন্দুনা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৬৪ ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে। নেসনেল হায়ৱে ২- ইম্ফাল দিমাপুরদনা পুন্না গাড়ি ২২৫ অকনবা চেকশিন থৌরাং মরক্তা ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে হায়রি। হায়ৱে অনি অসিগী ইরাং থোক্কনবা মফমশিংদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুশিং থমদুনা মীকুপ নাহুমশিংনা ঙাকশেন্দুনা লৈরি হায়রি।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাদা আইন কায়না পুশিল্লকপা পোৎলম কয়া অসাম রাইফলসনা ফাগৎপা ঙমখ্রে। বোংমোল অমসুং এস.এল জোগামদা চেক পোস্তা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা য়াম্লবা চুরুপ পেকেদ অমদি য়ু বোতল পুরম্বা গাড়ি ৫ ফাগৎখি। মীওই ১২ গা লোয়ননা ফাগৎলবা পোৎলমশিং অমদি গাড়িশিং অদু মচি পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নখ্রে হায়রি।

**হোম (এল)ঃ রাজ্য অসিগী** হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলগা অহেনবা সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোসশিং থাজিল্লক্লে হায়রিবা ৱাফম অসি তোকঙানি , মীয়ামা থাজবিগনু হায়না রাজ্য সরকারগী হোম বিভাগনা খঙহল্লক্লি।

বিভাগ অসিগী চেরোল অমনা হায়- সোসিয়েল মেদিয়া অমদি তোঙান তোঙানবা ওন লাইন মেসেজিং প্লেটফোর্মশিংদা রাজ্য অসিগী ইরাং লাকশিন্নবা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং থাজিল্লক্লে হায়না শেন্দোরক্লি। মসি ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা মনিপুরগী মপান্দা চৎলুরবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং অমুক হল্লকপনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা অরানবা য়ুমফম য়াওদবা পাউ অসিগা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মেদিয়া য়াওনা মীয়ামা থাজবিগনু। অরানবা পাউ শন্দোক্লিবশিংগী মথক্তা আইনগী মতুং ইন্না লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎকনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

**রেস্তলিং (এল)ঃ** নাগপুরদা থা অসিগী ৬ তগী১০ ফাওবা চথখিবা **নেসনেল আর্মরেস্তলিং অমসুং** পেরা আর্মরেস্তলিং চেম্পীয়নসিপতা অহানবা অমসুং অনিশুবা মনা ফংলকখ্রবা শান্নরোইশিং, রিপব্লিক ওফ মোলতোবাদা পাঙথোক্কদবা ৪৫ শুবা ৱার্ল্ড অমসুং ২৬ শুবা পেরা আর্মরেস্তলিং চেম্পীয়নসিপতা য়াওনবগীদমক খল্লকখ্রে। শরুক য়ানিংবা আর্মরেস্তল্লরশিংনা মনিপুর আর্মরেস্তলিং এসোসিয়েসনগী ওফিসতা থা অসিগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা লাকনবা খঙহল্লক্লি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** কাংশোইবি মপাল প্লেগ্রাউন্দা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল লেট লাইরেঞ্জম সনাতোম্বী লৈমা মেমোরিয়েল ফুটবোল টুরনামেন্তকী ঙরাং শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মোইরাংচা এফ.সিনা য়াদা এবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে।

**অমফা(এল)ঃ** ৩ শুবা অমফা কপ ২০২৩-২৪ গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ইম্ফাল সিটি অমসুং য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লব পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা য়ুনাইতেদ প্রোগ্রেসিপ এদল্টস এসোসিয়েসন (উপা)না ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসন (অমোফা)বু পাঞ্জল ৩-০ দা মাইথিবা পীখ্রে।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**সংসদঃ** ১৮ শুবা লোক সভাগী ঙরাংদগী হৌখিবা অহানবা মীফমদা নৌনা কারক্লবা সদস্যা খরা ৱাশক লৌখ্রে। মনিপুরগী এম.পি অনি - ডা: অঙোমচা বিমোল অকোয়জম অমদি অলফ্রেদ কাঙম অর্থর য়াওনা লেমহৌরিবা সদস্যাশিং ঙসি ৱাশক লৌরগনি। সংসদকী নৌনা শঙ্গাখ্রবা বিল্ডিংদা ১৮ শুবা লোক সভা অহানবা মীফম অদু হৌদোকখি। মীফম হেক হৌবগা প্রোটেম স্পিকর ভরত্রুহরি মহেতাবনা সভাগী লুচিংবা ওইরিবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, লোক সভা সদস্য ওইনা ৱাশক লৌখি।

লোক সভা মীফম হৌদ্রিঙৈ মাংওইননা রাস্ত্রপতি ভবনদা বি.জে.পিগী শকাইরবা লুচিংবা ভরত্রুহরি মহেতাবপ্ প্রোটেম স্পিকর ওইনা রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি-মুরমুনা ৱাশক লৌখি। শ্রী মোদি সভাগী সদস্য ওইনা ৱাশক লৌরবা তুংদা, প্রোটেম স্পিকর শ্রী মহেতাবপু মতেং পাংনবা চেয়ারপার্সনশিংগী পেনেল অমা ৱাশক লৌখি। মদুগী তুংদা, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং মথং মথং ওইনা ৱাশক লৌবা হৌখি।

সদস্যাশিংগী মরক্তা ৱাশক লৌবদা মশা মশাগী মরমদমগী ওইবা লোলশিংদা ৱাশক লৌবা অমদি নাৎকী ওইবা ফীজোল শেৎতুনা লাকখি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা উত্তর প্রদেশকী বরানাসি লোক সভা কেন্দ্রগী সংসদকী সদস্যা অমা ওইনা ৱাশক লৌখিবদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্ম বিরেননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- কখোকপা অমদি হনবা লৈতনা হোৎনবা অমগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংশিং মখা তানা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংদুনা পায়খৎপা ঙম্লগনি।

অনৌবা লোক সভাগী অধ্যক্ষ থা অসিগী ২৬ তা খনগনি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা থা অসিগী ২৭ তা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংগনি। রাজ্য সভাগী মীফমা থা অসিগী ২৭ তগী হৌগনি।

**দাইরিয়াঃ** কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি জগট প্রকাস নদ্দনা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা নেসনেল স্তোপ দাইরিয়া কেম্পেইন ২০২৪ হৌদোকখ্রে। মন্ত্রিনা অঙাংশিংদা ওরেলরি হায়দ্রেসন সোলস (ও.আর.এস)অমসুং জিঙ্ক তেব্লেটশিং য়েন্থোক্তুনা কেম্পেইন অদু হৌদোকখি। থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী হকশেল রাজ্য মন্ত্রিশিং অনুপ্রিয়া পাতে অমসুং প্রতাপ প্রাও য়াদব শরুক য়াখি। থা অনি চুপা চথুগদবা কেম্পেইন অসি জ্লাই অমদগী হৌরগা অগষ্ট ৩১ ফাওবা চথুগনি।

ক্রিকেটঃ আই.সি.সি মেন্স টি-ত্বেন্তি ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেটকী ঙরাং শেন্ত লুসিয়দা শান্নাখিবা সুপর ঐইট স্তেজকী ভারতকী অহুম শুবা মেটচতা ওস্ত্রেলিয়াবু রন ২৪ দা মাইথিবা পীখ্রে। মমাংদা শান্নখিবা সুপর ঐইট গ্রুপ মেটচশিংদা ভারতনা অফগানিস্তান অমসুং বঙ্গলাদেশপু মাইথীবা পীখ্রে।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**
**হৌজিক ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দ লৈরে--**

**---প্রেমচান্দ---**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাড অমুক--**

১)  ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙম্লে। আইনগী ৱাংমদা শাবা বঙ্কর অমা শীদোকখ্রে।

২)  **রাজ্য অসিদা** অহেনবা সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোসশিং থাজিল্লক্লে হায়রিবা ৱাফম অসি তোকঙানি , মীয়ামা থাজবিগনু হায়না রাজ্য সরকারনা খঙহল্লক্লি।

**অমসুং**

৩) ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফমগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা মনিপুরগী এম.পি অনি ৱাশক লৌরগনি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-চিত্রভানু**

সনা লৈবাক পাউচেগী অহাবা হেদলাইন অসি - লোক সভাদা মনিপুরগী ৰা খন্নৌ হায়না খোংজং চংশিনখ্রে। খুল ঙাকপা ফারবদি মমা ঐখোয়না খুৎলায় পায়রগা খুল ঙাক্কনি হায়না খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল জোইন্ত কোওর্দিনেতিং কম্মীতিনা থল্লকখিবা ৰাফম অহানবা হেদলাইন পীরি। পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইনদা - য়ুনিয়ন তেরিতোরিত দিমান্দ তৌরদুনা কুকিশিং মফম কয়াদা রেল্লি চৎখ্রে। মোদিনা ৰারি শান্ননিংলবদি চুরাচান্দপুরদা লাক্কদবনি দিল্লিদা চৎলরোই হায়না সাইকোট এস.সিগী এম.এল.এ পাউলিয়নলাল হাওকিপনা ফোংদোকখিবা ৰাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। পাউ অসি পোকফম পাউচেদা তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি। হেদলাইন অদুদি- মনিপুর সেগাইরগা য়ুনিয়ন তেরিতোরিনা পোলিতেকেল সোলুসন ওইবা দিমান্দদা দিষ্ট্রিক্ট মরিদা রেল্লি চৎখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল ,গানফিউ মেল, তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে। হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতনা অনিশুবা হেদলাইন পীরি।

সঙাই এক্সপ্রেসকী হেদলাইন অসি - খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী খোংজংনা হায়-কুকিশিংগী দিমান্দ পীবা য়ারোই হায়বা হেদলাইন অসিনি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদস্ অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি ।

সেপরেট এদমিনিস্ত্রেসন পীবা য়ারোই হায়না কৈথেল ইমাশিংনা চংশিনখিবা খোংজংদা য়ুমফম ওইবা পাউ -মনিপুর নিউজ, ঈচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মনিপুর মেল, দ মোর্নিংবেলদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি - লানগী ৱারোইশিন পুরক্কদবা হায়দুনা কৈথেলগী নুপীশিং হৌরকখ্রে। সেপরেট এদমিনিস্ত্রেসন তাল্লীবশিংদা লম পীগে হায়রগনা মোদিগী গুজরাটতা পীয়ু হায়না কৈথেল ফম্বী মেমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।
লৈঙাকা চল্লাইবা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভার্সিতি ৱাথোকা পীক থনবদগী মহৈরোইশিংগী মশিং চাদা ৫০ হন্থখ্রে। মহৈকোল অসিগী থবক লৌবদা ফমনাইবশিংগী মী য়াওই য়াওদে হায়না চয়েৎনবা থোক্লব্রা হায়না হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন পীরি।

অহুম শুবা মোদি লৈঙাক্কী অহানবা পার্লিয়ামেন্ত মীফমদি হৌখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাং পাউচ্নো বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

**--চিত্রভানু--**